# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 19-01-2025)**

**কাইশা (এল) ঃ** তাদুবী বিধান সভা কেন্দ্রগী এম.এল.এ. অমদি হান্নগী মন্ত্রি-এন. কাইশিগী হকচাং ঙসি অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লগনি। ঙসি অয়ুক অঙনবদা পাঙথোক্কদবা রাজ্য থাক্কী ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরমগীদমক শেম শাবা লোইরে।

মহাকপু ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা হয়েং রাজ্য সরকারগী মখাদা লৈবা মহৈ লোইশঙশিং অমদি ওফিসশিং ছুতি তঞ্জায় থাগনি।

এন. কাইশা, নেসনেল পিপলস পার্টিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট ওইরম্মী। মহাক তাদুবী বিধান সভা কেন্দ্রদগী ইং ২০১৭ তা অহানবা ওইনা কারক্তুনা মতম অদুদা ত্রাইবেল এন্দ হিলস এরিয়াজ অমসুং ফিজরিজকী মন্ত্রিসু ওইরম্মী।

**রোড (এল) ঃ** লম্বীগী খুদোংথিবা থোকপা হন্থনবগী পান্দমদা পাঙথোক্লিবা নেসনেল রোড সেফতি মন্থ-২০২৫ মনিপুরদসু পাক শন্না পাঙথোক্লি।

থা অসিগী অমদগী হৌদুনা ৩০ ফাওবা থা অমা চুপা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিগা মরী লৈননা মীয়ামদা এৱারনেস পীবনচিংবা থবক থৌরম কয়া অমা ত্রাফিক পুলিস মনিপুর, ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট অমদি জিলাশিংগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারশিংনা পাঙথোকরি।

অমরোদা, ৩৬ শুবা নেসনেল রোড সেফতি মন্থ-২০২৫ গী মনুং চন্না ঙরাং ত্রান্সপোর্ট বিভাগ অমদি আই.দি.টি.আর.সি. মনিপুরনা পুন্না শিনদুনা মোবাইল রোড সেফতি কেম্পেইন হৌদোকখ্রে।

কেম্পেইন অদু দিষ্ট্রিক্ট ত্রান্সপোর্ট ওফিসার ইম্ফাল ৱেষ্ট-কে.ঐচ. সঞ্জিৎ কুমারনা লুচিংদুনা হৌদোকখিবনি। কেম্পেইন অদু জি.এম. হোলদগী হৌরগা বি.টি. রোড, ৱাহেং লৈকাই, কৈশাম্পাৎ ফাওরগা সেক্রেটরিয়েট মমাংদা

লোয়শিনখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা রোড সেফতিগা মরী লৈনবা সিম্বোল অমদি চেজাই কয়া মীয়ামদা য়েন্থোকখি।

**আইদিপি (এল) ঃ** মনিপুরদা চহি অনি ফাজিল্লক্কদৌরবা ইরাং অসিনা মহৈরোই খুন্নাইদা পীরিবা চৈথেং অসিগী য়েংলগা মরুওইনা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মহৈরোইশিংগী ওইবা রিলিফ বোর্দিং অমা সঙাইপ্রৌ মমাং লৈকাইদা হাংদোকখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা মোর্দন ইংলিস একাডমীগী ফাউন্দর-তোংব্রম চিংখৈঙানবনা হায়-ইরাং অসিনা মহৈরোই খুন্নাইদা চাউনা চৈথেং পীরি। কোবিট নাইন্তিনগী মতমদসু খ্বাইদগী চৈথেং ফংখিবা অসি মহৈরোইশিংনি। মহাকা হায়-আই.দি.পি. মহৈরোইশিংগী ওইবা রিলিফ বোরদিং অসিদা ফংফম থোকপা খুদোংচাবা খুদিংমক লেমা ফংহনবতা নত্তনা বোরদিং অসিদা লৈগদবা মীওইগী অককবা মশিং লৈতে।

**এআর (এল) ঃ** অসাম রাইফলসনা মুম্বাইদা বেজ তৌবা মনভাতা চেরিটেবল ফাউন্দেসনগা খুৎশমদুনা ককচিং জিলা অমদি চান্দেল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংগী অঙাংশিংদা কম্বল য়েন্থোকখ্রে।

আই.জি.এ.আর (সাউথ) না থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-মমা মপা লৈজদ্রবা অঙাং য়াওনা পুন্না অঙাং ১২০ দা কম্বলশিং অদু য়েন্থোকখিবনি।

**ককচিং (এল) ঃ** পিপলস ম্যুজিয়ম ককচিংগী ৪৪ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙরাং ককচিং পাজি লৈকাইদা লৈবা ম্যুজিয়ম অসিগী শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা হান্নগী ককচিংগী এম.এল.এ. ৱাই. সুরচন্দ্র, অঙোম নিংথৌ সনা কোনুং উত্রা শঙলেন, অঙোম পোইরৈতোন অমদি ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চেয়ারপার্সন-এন. সঞ্জিৎ কুমার শরুক য়াখি।

**মনকি বাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১১৮ শুবা ইপিসোদ ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। এল.আর.এস অকাশবানি চুরাচান্দপুরদসু থৌরম অসি শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিগী ৱারোল পীবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিগী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক্ট লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

**বেঙ্গোলঃ** নোংচুপ বেঙ্গোলগী আর.জি. কর মেদিকেল কলেজ এন্দ হোস্পিতালদা ডাক্তর তন্নিবী মহৈরোই অমগী মীশিগা মরী লৈননা থৌদোক অদুদা চেন্নবা সঞ্জয় রোই ইজৎ মাঙহনবা অমসুং মী হাৎপগী মরাল লৈরে হায়না কোলকাতাগী কোর্ট অমনা ঙরাং লাউথোকখ্রে।

সিলদা এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স কোর্টনা সঞ্জয় রোইবু ভারত্তিয়া নিয়াই সনহিতাগী তোঙান তোঙানবা সেক্সনগী মখাদা মরাল লৈরে হায়খিবনি। মঙোন্দা করম্বা মখলগী দন্দি পীগদগে হায়বদু কোর্টনা হয়েং লাউথোক্কনি।

পনবা য়াই, মমাং চহিগী আগষ্ট ৯ দা কোলকাতাগী আর.জি. কর মেদিকেল কলেজ এন্দ হোস্পিতালগী সেমিনার হোলদা চহি ৩১ শুরবী ডাক্তর তন্নিবী নপী অদু শিরগা লৈরম্বনি। হায় কোর্টকী হুকুম অমগী মতুং ইন্না থৌদোক অসিগী মতাংদা সি.বি.আইনা থিজিনদুনা লাকপনি।

**গেমস ঃ** থা অসিগী ২৮ দগী হৌদুনা ফেব্রুৱারী ১৪ ফাওবা উত্তরাখন্দদা পাঙথোক্কদবা ৩৮ শুবা নেসনেল গেমস-২০২৫ দা মনিপুরগী শান্নরোইশিং শরুক য়ানবগীদমক শেম শারে।

মনিপুর ওলিম্পিক এসোসিয়েসননা থোকপা চেরোল অমনা হায়-হন্দক্কী

নেসনেল গেমস অসিদা মনিপুরগী ফেন্সর নুপী শান্নরোই ৯ য়াওনা পুন্না শান্নরোই ২১ না শরুক য়াগনি। মনিপুরগী টিম ওইনা ওফিসিএল তরুক্কা লোয়ননা চৎকনি।

পনবা য়াবদি, মমাংগী নেসনেল গেমসতা মনিপুর ফেন্সিং টিমনা সনাগী তকমান অমা য়াওনা পুন্না মেদল ৭ লৌরকখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

তাদুবী বিধান সভা কেন্দ্রগী এম.এল.এ.-এন. কৈশি লৈখিদবগী পাউ, মীয়ামগী নুমিৎ পাঙথোকখিবগী পাউ অমদি মনিপুরদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক কয়াগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

গভনরনা য়ুনিয়ন হোম মিনিস্তর উন্নদুনা মনিপুরগী ওইরিবা ফিভম খন্নখ্রে হায়বা পাউ অসি পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদনা পোলিটিকেল দাইলোগকী মমাংদা হিংশা লেপবা খঙহনখ্রে, তোখায়না ৱারী শান্নবনা ৱারোইশিন পুরক্লোই হায়বা অসিনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হেলথ সেন্টর ৯ দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল ওনখৎড়বা লৈঙাকা চেরোল থোকখ্রে হায়বা পাউ অসি সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন ওইরি। জিরিগী য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল য়াওনা সুপর স্পিসিএলিতি ব্লোক লৈরগনি হায়না সব হেদলাইন অমসু পীরি।

মনিপুর ন্যুজতা-তাদুবি কেন্দ্রগী এম.এল.এ-এন. কায়িসি লৈখিদ্রে, চীফ মিনিস্তর এন বিরেন মশামক চৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। নিংথৌকাবা নুমিৎতা গভরনমেন্টকী ওফিস অমসুং এদুকেসনেল ইন্সটিট্যুসনশিং হাফ হোলি ডে লাউথোকখ্রে হায়না সব হেদলাইন অমসু পীরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-নেসনেল গেমস বোইকোট তৌবগী খোঙজং চংশিল্লক্কদৌরি হায়বা পাউ অসি অহানবা লামাইদা ফোংলে।

নহারোলগী থৌদাংদা-এন.এস.সি.এন (আই.এম) না কোটুদা খুল ঙাকপা নত্তে, কুকি মিলিটেন্টশিংনি হায়না ফোংদোরক্লি হায়বা পাউ অসি অহানবা লামাইদা ফোংলে।

হুইয়েন লানপাউদা-নোংমৈ বোম কাপ্লগা দিমান্দ পংতৌদা তৌরবদি দেমোক্রেসি অমসুং কন্সটিট্যুসনবু মালেমগী মীয়ামনা হন্থনা লৌরক্কনি হায়বা অমুকোগী প্রসিদেন্ট-নন্দো লুৰাংগী ৱাফম অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মনিপুর মেলদা-জিরিবামদা মীয়ামগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-ষ্ট্রিট ভেন্নরস প্রোটেক্সন এক্ট চৎনহল্লু হায়বা রোড সাইট ভেন্দরস ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসনগী ৱাফম অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা-নরানসেনা মনিংদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা হাৎখিবা সি.আর.পি.এফ. অনিগী মতাংদা এন.আই.এনা টেষ্ট আইদেন্টিফিকেসন পেরেড হৌননবা থৌরাং লোয়রে হায়রি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-লাই হরাউববু য়ুনেস্কোগী হেরিটেজ লিষ্টতা চলহন্নবগীদমক রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা তকশিনখ্রে হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।